ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO®
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা মহাক্কী মপোক নুমিৎতা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১২গী মনুংদা লৈবা মশাগী চহী ৮০ শুরবা অহলশিংদা ইন্নফি অমমম খুদোল তমদুনা য়াইফ খৌজাল নিজখিবা

তালিবানশিংগী অফঘানিস্তান
☛ লামায় ২

য়ুব সঙ্কল্প যাত্রা সাইকল রেল্লি চৎখ্রে
☛ লামায় ৩

হৈরোক এ সীগী লম্বী খূদিংমক কোইলাস থানবা থবক হৌখ্রে
☛ লামায় ৫

মীতৈ ময়েক্কী ওজা লৌগনি হায়খিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু : মীলাল
☛ লামায় ১০

ওগষ্ট ২৫দা বাবু জগজিবন রাম কলা সংস্কৃটি এন্দ সাহিত্য একাদেমিনা শিনবা ৩৫শুবা রাষ্ট্রিয় সমরপান দিবসতা চরাংপাৎ ময়ায় লৈকায়দগী সোসল ৱার্কর কাঙবম জদুমনি (জদু)দা ভারত রত্ন ডা. বি আর অম্বেদকর ইন্টরনেসনল এৱার্দ, ২০২১ খূৎশিন্নবা

Vol. 45, Issue No. 151 | ইরাই, থৱানগী ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, August 27, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

রিপোর্ট : কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ ওক্টোবর থাদা লাকপা য়াই

নয় দেল্লি, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট খরদা স্কুল-কোলেজশিং মহৌশাগুম হাংদোক্লখ্রে। অতোপ্পা ষ্টেট খরদসু মহৈশঙশিং হাংদোক্লনবা থৌরাং তৌনরি। মণিপুরদসু অকনবা মওংদা এদমিসনগী থবকশিং তৌবা হৌনরে। অদুবু চৈরক অসিদা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট (এন আই দি এম) কী রিপোর্ট অমনা চহী অসিগী ওক্টোবর থা ফাওবগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ লাকপা য়াই হায়না ফোঙদোরকপদগী লৈবাক অসিগী মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা ওইবা কয়ানা সোসল মীদিয়াগী তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংদা নুংনাংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

CORONAVIRUS
3RD WAVE

এন আই দি এমগী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না চহী অসিগী জুলাই ১৫দগী ওক্টোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ লাকপা য়াই হায়দুনা পানরম্লনি। অদুবু হৌজিক ওগষ্ট থা লোইশিল্লকপা ফাওবদদি কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভনা হৌজিক মায়োক্লরিবা সেকেন্দ ৱেভকী পেন্দমিক অসিগুম্না মায়োক্লহল্লকপদি লৈত্রি। মসি ওইরবসু অহুমশুবা ৱেভ অসিনা পীরক্কদৌরিবা চৈথেংশিং অদু মায়োক্লনবা হৌজিক্তগী হৌনা লৈঙাকশিংনা অমদি মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা থৌরাং তৌহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বগী ৱাফমশিং মাঙজৌননা ফোঙদোক্লখ্রবনি। এন আই দি এমগী পেনেল অসিনা অহুমশুবা ৱেভ লাকপা য়াই হায়বগী মরি লৈনবা রিপোর্ট অদু প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিস (পি এম ও) দসু খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না করিগুম্বা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ তশেংনা লাক্লগদি চাওনা চৈথেং পীগদৌরিবা অসি অঙাংশিংদনি হায়রি। মতাং অসিদা য়াম্না লুশিল্লক্লিবা ৱাফমদি হৌজিক ফাওবদা অঙাংশিংদা চাংয়েংগী ওইনা চহী ১২ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা অঙাংশিংদা কাপ্পনবা ভেক্সিন রিকমেন্দ তৌখিবা লৈরবসু চপ চানা অঙাংশিংবু তমথীরবা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী ভেক্সিন পুথোকপা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইদুনা মমা-মপা ওইবশিংনা স্কুল/কোলেজশিংদা মচাশিংবু থাবদা নুংনাংবা ফাওবগী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লরকখিবনি।

অমরোমদা আই আই টি, কানপুরগী সীনিয়র সাইন্টিষ্ট মনিন্দ্র অগ্রৱালগী মতুংইন্না মহাক্না মেঠমেটিক্সতা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোকপা কালকুলেসনগী রিজল্টতদি ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ লাক্তবনা নম্না লৈরি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি। মসিগী অচৌবা মরম অমা হায়রগদি অঙাংশিংদা ভেক্সিন কাপত্রবসু চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং পাক শন্না কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌখ্রবা মরম্না লায়চৎ অসিগী অহুমশুবা ৱেভ লাক্তবা য়াবগী মরম অমনি।

সীনিয়র সাইন্টিষ্ট অগ্রৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা ওক্টোবর থা ফাওবগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভকী কেস অসি শুপ্নগী লিশিং ১৫ মুক্তা ঙাইরগনি। অদুবু টামিল নাড়ু, কেরলা, তেলঙ্গনা, কর্ণাটকা অমদি নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংদদি লায়চৎ অসি খরমখৈ অদুম্মক লৈখিগনি হায়রি। অদুগা উট্টর প্রদেশ, বিহার, দেল্লি অমদি মধ্য প্রদেশনচিংবা ষ্টেটশিংদদি কোভিদ-১৯ ফ্রী ওইরগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লি।

এন আই দি এমগী রিপোর্টনা মখা তানা পল্লিবদি লাক্লিবা ওক্টোবর থাদগী লাক্কনি পানরিবা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ অসিনা অঙাংশিংদা পীরক্কদৌরিবা অচৌবা চৈথেং অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা হৌজিক্তগী হৌনা থৌরাং তৌবা মথৌ তারে। মরমদি লৈবাক অসিদা হৌজিকসু অঙাংশিংগীদমক মেদিকেলগী ফেসিলিটিদা য়াম্না অৱাৎপা কয়া অমা লৈরি। মরম অদুনা হৌজিক্তগী হৌনা হেল্থ ৱার্কর, ভেন্টিলেটর অমদি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

হিয়াংলম মকোক থোংবা এ সী ৫গী মনুং চলহনগনি : নোংমাইথেম সঞ্জয়

৩৮ - হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) :

কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ৩৮-হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা নোংমাইথেম সঞ্জয় (৪০)না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারকখিবনো অমদি হিয়াংলম এ সীগী অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাম্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী 'মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং' হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্ননা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -

ৱাহং : লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

পাউ : অঙাং ওইরিঙৈ স্কুল তম্লিঙৈদেগী হৌনা লৈকায়গী থবক-থৌরমশিংদা শরুক য়াদুনা লৈকায়, ক্লবকী সেক্রেটরি অমদি প্রসিদেন্টকী থৌ পুদুনসু লাকখি। লোয়ননা মতম শাংনা মহৈরোয় লুপশিংগী লুচিংবা ওইদুনা মহৈরোয় খুন্নাইগী য়াইফনবা থবক-থৌরমসু তৌরকখি। ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওদ্রিঙৈদেগী হৌনা মীয়ামগী মতেং পাংলকপা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া তৌবা উবদা এ সী অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না ভোট লেপ্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগা হেন্না মীয়ামগী থবক তৌনবা অচৌবা থৌদাং অমা শীনবিরকখিবদগী মীয়ামগা পুন্না থবক তৌমিন্নরগে খন্দুনা লম্বী অসিদা চঙলকখিবনি। ঐনা অসুম য়েংজবদা লমদম অসিগী পোলিটিক্স অসি ট্রেদিসনেল ওইবা মওং অমদা চৎথদুনা লাকপা মরম্না চাওখৎপা য়াবা মতমদা চাওখৎপা ঙমদদুনা শুপ্পগী মতমগী মতুংইন্না য়াম্না তপ্না লাকচবা চাওখৎপগী লম্বী অদুদা অদুমক চৎতুনা লৈরে। চহী ৪০গী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা ভোট পীদুনা লাক্লি। অদুবু চহী ৪০গী মনুংদা লৈবা অমদি ৪০ খরা হেল্লবা মীওইশিংগী অনিংবা অপাম্বা অমদি তুংগীদমক তৌনিংবা থবকশিং অদুদি চহী ৬০ হেল্লবা মখোয়না ...মখা লামায় ৩ কলম ২

লা গনেসন ঙসি ৱাশক লৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) :

থা অসিগী ২২দা রাষ্ট্রপতি ভবনদগী পীরকখিবা এপোইন্টমেন্ট অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী ১৭শুবা গভর্ণর ওইনা খল্লকখ্রবা বি জে পি নেসনল কাউন্সিলগী মেম্বর অমা ওইবদা নত্তনা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরম্বা লা গনেসন হয়েং মণিপুরগী অনৌবা গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

ঙসি মহাক্না ইম্ফালদা থুংলখিবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনচিংবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্সগী মশক নাইবশিংনা তরাম্না ওকখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

জয়রাম রামেশ ঙসি লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) :

কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর এসেমব্লী মীখলগীদমক কোংগ্রেস পার্টিনা ফি শেম্বা হৌরকখিবগা লোয়ননা মীখল অসিগী পোরম-পোম্মিৎশিং য়াৎথোক্লনবগীদমক তোঙান-তোঙানবা মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা খন্ননবা এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ ঙসি ইম্ফালদা থুংলখ্রে। হয়েংনা এ আই সী সীগী মণিপুরগী ইলেক্সন ওবজার্ভর জয়রাম রামেশ অমসুং এ আই সী সীগী রিসার্চ দিপার্টমেন্টকি সেক্রেটরি রঞ্জিৎ মুখর্জি লাক্কদৌরি।

এ আই সী সীগী মণিপুর ইন-চার্জ ভক্ত চরন দাসনা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরবা মতুং কোংগ্রেস ভবনদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন লোকেন, সী এল পিগী লিদর ওক্রম ইবোবী, সী দব্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম অমদি কোংগ্রেস এম এল এশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা লাক্কদবা মীখলগী মতাংদা খন্নবা হৌখ্রে। মীফম অদুদা কোংগ্রেস পার্টিগী ফীভম শোন্না লৈরিবা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা কনখৎহন্ননবা, লাক্লিবা এসেমব্লী মীখল অসিগীদমক পার্টি অসিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বদুসু খন্নখ্রে। লোয়ননা কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল এ সী খূদিংমক্তা কনখৎহন্ননবা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি হায়রি।

এ আই সী সীগী মণিপুরগী ইলেক্সন ওবজার্ভর জয়রাম রামেশ অমসুং এ আই সী সীগী রিসার্চ দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি রঞ্জিৎ মুখর্জিনা হয়েং ইম্ফালদা থুংলরবা মতুংদা কোওর্দিনেসন কম্মিটি, কেম্প্যেন কম্মিটি, মেনিফেষ্টো কম্মিটি, পব্লিসিটি কম্মিটি, ফাইনান্স কম্মিটিনচিংবগী মীফমশিং পাঙথোক্লবা মতুংদা মীখল মায় পাক্লা থেংননবা কোংগ্রেস পার্টিগী থৌরাং থৌশিলশিং য়াৎথোক্লগনি হায়রি।

হার নীংথিনা ফংহন্ননবা খঙহল্লল্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা হারগী ৱাথোক অসি য়েংশিন্ননবা নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎতা ঙরাং ইম্ফালদা থুংলখিবা কেমিকেল এন্দ ফ্রটিলাইজর্সকী পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন এম পি কুরুনানিধি কানিমোজিনা লমদমসিগী লৌমীশিংদা হার নীংথিনা ফংহন্ননবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লল্লে হায়রি।

তাকয়েল পাৎতা লৈবা সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ প্লাষ্টিক এঞ্জিনিয়রিং টেক্নোলোজিগী ফীভম ঙসি পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেন কারুনানিধি কানিমোজিনা লুচিংবা টিম অদুনা য়েংশিনখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা এম পি কারুনানিধি কানিমোজিনা হায়খি, খোঙচৎ অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী ওফিসলশিংগসু উনদুনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা খন্নরে। ষ্টেট অসিগী লৌমী ৭/৮গসু উনদুনা ৱারী শানরে। মীদিয়া রিপোর্টসু য়েংলে। লৌমীশিংগী ৱাকৎশিং তারবা তুংদা অথুবা মতমদা লৌমীশিংদা হার নীংথিনা ফংহন্ননবা মণিপুর লৈঙাক্তসু খঙহনখ্রে। তশেংবদি লৌমীশিংদা হার ফংহনবগী থৌদাং অসি ষ্টেট লৈঙাক্কীনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অসিদা লোক সভাগী এদিসনল দিরেক্টর, অন্দর সেক্রেটরি অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ফর্টিলাইজরগী ইকনমিক এদভাইজরসু শরুক য়ারকখি। পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী টিম অসি ঙসি নুংথিল ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি।

হায় কোর্টনা ৱাঙ্খেদা নফসাগী চেঙ য়েন্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : ৱাঙ্খে এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈরিবা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা), ২০১৩গী চেঙ পীনবগীদমক লৈরিবা অন্টোদয়া অন্ন যোজনা (এ এ ৱাই) অমসুং প্রাইওরিটি হাওস হোল্ড (পি ঐচ ঐচ) গী রেসন কার্দ হোল্ডরশিংদা হৌখিবা এপ্রিল থাদগীনা চৎলিবা ওগষ্ট থা ফাওবগী ওইনা থা ৫গী ফংফম থোকপা চেঙশিং ফংহনবীদ্রে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা মরী লৈনরিবা গভর্ণমেন্টকী ওথোরিটিশিংনা মসিগী মতাংদা য়েংশিনবগা লোয়ননা ফেয়র প্রাইস শোপ (এফ পি এস) এজেন্ট/দিল্লরশিংনা মীয়ামদা চেঙ য়েন্থোকপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরবদি অতোপ্পা পান্থে অমা পায়খৎতুনা চেঙ ফংহন্নবা খঙহনখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লিবা পিটিস্নর অদুগী মমিং ৱাঙ্খেরাকপম রমানন্দ (৪৬) অপোকপা দব্লিয়ু মোধুসুদোন কৌই, চীংমৈরোং মনিং খোংনাঙ অনী কারক্তগীনি। ৱাকৎ অসি মহাক্না পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ওইনা ফাইল তৌরকখিবনি।

মহাক্কী পি আই এল অসিনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সেক্রেটরি (সী এ এফ এন্দ পি দি), লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা নফসা ২০১৩ অসি মণিপুরদা এপ্রিল ২৫, ২০১৬তগী চৎনরকখিবনি। নফসাগী মখাদা রেসন কার্দ মখল অনী থোক্লা লৈ। অমনা এ এ ৱাই হায়বনি অদুগা অতোপ্পা অমনা পি ঐচ ঐচ হায়বনি। এ এ ৱাইগী কার্দ হোল্ডরশিংনা থা অমদা চেঙ কিলোদা লুপা ৩গী চাংদা চেঙ কিলোগ্রাম ৩২ এফ পি এস দিল্লরশিংদগী ফংগদবনি। অদুগা পি ঐচ ঐচ রেসন কার্দ হোল্ডরশিংনা ইমুং অমদা লৈরিবা মীওই পুম্নমক্কী অমমমদা লুপা ৩/৩গী চাংদা চেঙ কিলো ৫/৫ থা খুদিংগী ফংগদবনি হায়বসিনি।

ৱাঙ্খে এ সীগী ওইনা প্রাইওরিটি হাওস হোল্ড কার্দ পায়বা মীওই ২৬,০৬৭ লৈ অদুগা এ এ ৱাইগী রেসন কার্দ পায়বা মীওইগী মশীংনা ৩৩৩১ লৈ হায়রি। অপূনবদা নফসাগী চেঙ ফংগদবা কার্দ মখল অনী অসিগী মীওইশিংগী অপূনবা মশীংনা ২৯,৩৯৮নি হায়রি।

হায়রিবা কার্দশিং অসিসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ৱাঙ্খে এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী কার্দশিং অসিবু পায়বা য়ারবা মীওইশিংদা পীবনি। নাকল অমরোমদা, দি সীনা রেসন কার্দ হোল্ডরশিং অসিদা থা খুদিংগী পীফম থোক্লিবা চেঙশিং য়েন্থোক্লবগীদমক এফ পি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

সেক্রেটরিএটকী ষ্ট্রাইক হেন্না কনশিল্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চঙশিল্লক্লিবা মণিপুর সেক্রেটরিএট সর্ভিসেস এসোসিএসন (ইম্ফাল হেদ ক্বার্টর) অমসুং মণিপুর সেক্রেটরিএট নন মিনিষ্টিরিএল ড্রাইভরস এসোসিএসনগী এক্সন কম্মিটিনা হয়েংদগী মখোয়না চঙশিল্লক্লিবা ষ্ট্রাইককী খোঙজং হেন্না কনশিল্লগনি হায়রি।

এসোসিএসন অনী অসিগী এক্সন কম্মিটিগী চেরোল অমনা হায়বদা ঙরাং ষ্টেটকী ফাইনান্সকী থবকসু পুরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগা কূপ্না খন্নবদা দেপ্যুটি সী এমগী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা ৱাফমশিংদা এমপ্লোয়ী পুম্নমক্না অমসুং এক্সন কম্মিটিশিংনা য়ানীংদবদগী চঙশিল্লক্লিবা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অসিগী মথক্তা হয়েংদগী সিট ইন প্রোটেষ্টকা লোয়ননা ওফিস লোক-আউট ষ্ট্রাইককী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

খোঙজংশিং অসি এমপ্লোয়ীশিং অসিনা তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দশিং অসি ফংদ্রিবা ফাওবা চৎথগনি হায়রি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট ড্রাইভরস এন্দ টেক্নিসিয়ান্স এসোসিএসনগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরিনা পুন্না খৃৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনসু এসোসিএসন অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগী মীফমনা হৌজিক চথরিবা এমপ্লোয়শিংগী দিমান্দদা এম এস এস এ, এম জি এস এফ, এম এস এন এম দি এগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইকশিং অসিগী দিমান্দশিং থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা পীবিদ্রবদি মথং থাগী ১দগী ড্রাইভরশিংনা ষ্টিয়ারিং থাদোকপগী খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক...মখা লামায় ৩ কলম ৫

৩৮০ পোজিটিভ ওইরে, ৪ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : ঙসি নুংথিলগী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩৮০ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীওই ৪ লৈখিদ্রে হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুদি অমনা সী এ পি এফকী পর্সনেলনি অদুগা মীওই ৩৭৯না জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনি। মসিগী মনুংদা নুপা ১৮৭ অমসুং নুপী ১৯২নি। পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা মফমশিংনা রিমস ৬, জেনিমস ৬০, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ২০৭ অমসুং অতে টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা ১০৭ থেংনখিবনি।

নৌনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

গভর্ণমেন্টনা জষ্টিস ৯বু সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা জজ ওইনা এপ্রুভ তৌরে



জষ্টিস কোহলি | জষ্টিস নাগরঠনা | জষ্টিস বেলা | জষ্টিস ওকা | জষ্টিস বিক্রম | জষ্টিস মহেশ্বরি | জষ্টিস রবিকুমার | জষ্টিস সুন্দ্রেস | জষ্টিস নরসিমহা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিসশিং হাপ্পগী পুৱারীদা অহানবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না জষ্টিসশিংবু কোর্ট অসিগী জজশিং ওইনা হাপ্পগী থৌদোক্ত লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা হায় কোর্টশিংগী চীফ জষ্টিস, জজ অমসুং বারদগী অমা য়াওনা জষ্টিস ৯বু এপেক্স কোর্ট অসিগী জজশিং ওইনা হাপ্পদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখ্রে।

নৌনা এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিসকী থাক্তা এপোইন্টমেন্ট পীনবগীদমক সুপ্রিম কোর্টকী কোল্লেজিয়মনা থা অসিগী ১৭তা পাঙথোকখিবা মীটিংগী ৱারেপনা মখোয় ৯গী মমিংশিং রেক্কমেন্দ তৌখিবনি। সুপ্রিম কোর্টকী কোল্লেজিয়মনা রেক্কমেন্দ তৌখিবা জষ্টিসশিং অদুদি কর্ণাটকা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস এ এস ওকা, গুজরাট হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস বিক্রম নাথ, সিক্কিম হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস জে কে মহেশ্বরি, টেলঙ্গনা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস হিমা কোহলি, কর্ণাটকা হায় কোর্টকী জজ বি ভি নাগরঠনা, কেরলা হায় কোর্টকী জজ সী টি রবিকুমার, মদ্রাজ হায় কোর্টকী জষ্টিস এম এম সুন্দ্রেস, গুজরাট হায় কোর্টকী জষ্টিস বেলা এম ত্রিবেদি অমসুং বারদগীনা সিনিয়র এদভোকেট পি এস নরসিমহানি। থা অসিগী ১৭তা পাঙথোকখিবা সুপ্রিম কোর্টকী কোল্লেজিয়মনা এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিসশিং ওইনবগীদমক রেক্কমেন্দ তৌখিবা জষ্টিস ৯ মক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অয়াবা পীখ্রে। মসিগী মতুংইন্না মখোয় ৯মক এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিসশিং ওইনা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱাশক লৌরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক সুপ্রিম কোর্টকী অপূনবা জষ্টিস ২৪ খক্তং লৈরিবনি। অনৌবা জষ্টিস ৯ অসি হাপচিল্লগদি পূন্না ৩৩ শুরগনি। অদুম ওইনমক জষ্টিস অমগী ফমদি হাঙদুনা লৈগদৌরিবনি। নৌনা এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস ওইরগদবশিংগী মনুংদা য়াওরিবা বি ভি নাগরঠনাদি কুমজা ২০২৭তা লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী চীফ জষ্টিস ওইরক্লবা য়ারি।

রুলগী ৱাংমদা পাঙথোকখিব্রা

বামোন কম্পু গ্রাম পঞ্চায়টকী স্পেসল গ্রাম সভা মীটিং

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী ক্ষেত্রিগাও সী দি ব্লোককী মখাদা লৈরিবা বামোন কম্পু গ্রাম পঞ্চায়টকী ঙরাং পাঙথোকখিবা স্পেসল গ্রাম সভা মীটিং অদু মণিপুর গ্রাম পঞ্চায়ট এন্দ জিলা পরিষদ জেনরেল রুলস, ১৯৯৫গী রুল নম্বর ৩ অমসুং রুল নম্বর ৫গী প্রোভিজনশিং অদুগী ৱাংমদা পাঙথোকখিবা স্পেসল গ্রাম সভা মীটিংলা হায়বা ৱাফম থোরক্লে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙরাংগী মীটিং অদু অয়ুক পুং ৮ লোম তারকপদগী বামোন কম্পু ময়ায় লৈকায়দা লৈবা ইবুধৌ পুরৈরোম্বা খুভমলেন কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

স্পেসল গ্রাম সভা মীটিংনি হায়দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী অধ্যক্ষ দব্লিয়ু বিমোলানা চীফ গেষ্ট, গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী উপ প্রধান এম অকেশ্বরনা প্রসিদেন্ট অমসুং বামোন কম্পু জিলা পরিষদকী মেম্বর কচুংনা গোলমৈনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি হায়রি।

পাঙথোকখ্রিবা মীটিং অদু ষ্টেট অসিদা চৎনরিবা গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং জিলা পরিষদ জেনরেল রুলস, ১৯৯৫গী গ্রাম সভাগী মীটিং কৌবা, মীফম পাঙথোকফম অমদি মীফমগী নুমিৎ অমসুং মতমনচিংবগী মতাংদা পীরিবা এক্ট অসিগী প্রোভিজনশিং অদুগী ৱাংমদা পাঙথোকখিবনি হায়বা ৱাফম থোরকপগী মথক্তা মণিপুর পঞ্চায়টি রাজ এক্ট, ১৯৯৪গী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

রিৱার্দ লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচএনএস) : চূড়াচান্দপুর পি এসকী মনুং চনবা ন্যু লমকা ভেংনুৱাম সাউথতগী ভানলালমোই এলিয়জ এম টি হাওলাই অপোকপা লৈখিদ্রবা থানসাংবু ফানবগীদমক পাউ পীরকপা মীওইদা লুপা লিশীং ৫০গী শেলগী মনা পীরগনি হায়দুনা এস পি, চূড়াচান্দপুরনা লাউথোকখ্রে। মহাক ন্যু লমকাগী কানন ভেঙগী ত্রিনিটি রোদতা লৈবা থাংজামুৱানগী য়ুমদা নুপা অমা শিনা ফংখিবগী মতাংদা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৫ (৯) ২০২১ অন্দর সেক্সন ৩০২, ৩৪, ১২০-বি, ২১২ ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচএনএস) : হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা সেপ্টেম্বর ১৭, ২০২০দা পীখিবা কম্মন জজমেন্ট অমদা এম এল এশিংবু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইনা হাপচিল্লুবা থৌওং অদু অন কন্সটিট্যুসনেল ওই হায়খ্রবা মতুংদা দি দি থাইসি, ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং এল সুসিন্দ্রোনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা এস এল পিশিং অদু ঙসি খন্ননবা লিষ্ট তৌখ্রবসু মতম ফংদবদগী খন্নখিদবগা লোয়ননা মেট্টর অহুম্মক মথং থাগী ৩দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে হায়রি।

লৈশাবী শিরল্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচএনএস) : কৈবুল লমজাও পি এসকী মনুং চনবা থাঙ্গ ইথিং তকমু লৈকায়দগী মশাগী চহী ২৩ রোম শুরবী লৈশাবী অমা ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা মহাক্কী কাদা খুদেং অমনা থৌরি য়ান্দুনা লৈরল্লে হায়রি। মহাকপু পল্লন্দনা সী ঐচ সী মোইরাংদা পুখৎলুবদা ডাক্তরনা শিরগা পুরক্লে হায়রকখি। লৈখিদ্রবীগী মমিং খ্বাইরাকপম সোনিয়া অপোকপা কে ঐচ বির কৌই। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলগা রিমসকী মোর্গতা ফোরেন্সিক এক্সপার্ট অমদি এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট য়াওনা ভিদিও কভরেজ তৌদুনা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন পাঙথোক্লগা ময়ূমগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.০২°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.৫৩°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৯১
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৯

HL Poll

Q: Manipurgi anouba 17 suba governorna state asigi leingakpu achumba meeyamgi thabakta lamjinglakkani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Curfewgi athingba numidanggi matamdata thamlabasu leingak amasung meeyamna third waveki chekshin thourang loukhatfam thoktabra?

Yes 83% No 17%

অস! লোইরেহে!

- খুরা থুনা তেক্লবা শাউ হায়রগা সিমেন্ট য়াম্না হাপ্লিবা করিগীনো?

- [illegible]



- ঐনা নৎচদে সর, মখোয় ময়াম্নি।

- [illegible]

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫